এস এ এফ এফ ৱিমেন চেম্পিয়নশিপ

# ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা পাকিস্তান থোইদুনা মায় পাক্না কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৭ (এজেন্সী): নেপালনা যূম্বু ওইদুনা চথরিবা এস এ এফ এফ ৱিমেন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি কাথমান্দুগী দশরথ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী ঙসিগী মায়পাকপা অসি থারগা চেম্পিয়নশিপ অসিদা পূন্না মেটচ ২৭ মায় পাকপা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নখি। সন্ধ্যানা পাকিস্তানগী গোল তম্না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোলকিপর শাহিদ বুখারিনা চোংদুনা ওইগী খূৎনা ঙাকথোক্তুনা থক্তোরকপা বোল অমা টিম কেপ্টেন মারিয়া জামিলা খানগী খোঙদগী নেট শোকহন্দুনা আউন গোল অমা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা অঞ্জুগী পাস অমগী মতেংদগী দাংমৈ গ্রেসনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা রঞ্জনানা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা পোষ্টতা পান্দুনা অরেম্বা তাখিবগা লোয়নননা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা পাকিস্তাননা ইন্দিয়াগী বোক্স মপান্দা ফংখিবা ফ্রী কিক্ অমা মারিয়ানা কাওশিল্লকখিবা বোল অদু গোলকিপর অদিটি চাওহাননা লায়না ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি। মখা তাবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অনী ফংখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা রঞ্জনানা ওইরোমদগী খায়রকপা বোল অমা সোময়না গোল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেটচতা মালদিভসকা থা অসিগী ১০দা লম্বা তৌনরগনি।

অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স লীগ

# কিরনবালাগী হেটট্রিকনা ঈ এস য়ু চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচ এন এস): য়াঙ্গোইজম কিরনবালা চনুনা চনখিবা গোল ৩ অদুগা সুল্টানা এম এস অমদি কোংখাম প্রিয়ানকানা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাঙ্খেনা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী)বু লাকচনা ৫-০দা চথরিবা ১৩ শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী ঙসি অয়ূক লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

কিরনবালানা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা ঈ এস য়ুগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৪শুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

সুল্টানানা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা ঈ এস য়ুগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা কোংখাম প্রিয়ানকানা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা ৱাঙ্খে টিমগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি হেমন্ত তখেল্লম্বমনা ঈ এস য়ুগী কাঙবম অনিতা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সীগী পি কিমনুংশাং ভাইফৈ অমদি মোইরাংথেম রেজিয়া শান্নবগী ৭৮ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মেটচ অসিদা বিদ্যাপতি য়ুম্নাম অমদি মাইবম রোশনী চনুনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান অমসুং টু অদুগা এলাংবম দেবলানা ফোর্থ ওফিসল অমদি সনাবম জেমসকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# এসিয়ন ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অঞ্জোরী য়াওনা জিম্নাষ্ট মরি তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচএনএস): থাইলেন্দগী পাটায়াদা থা অসিগী ৩দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৭শুবা এসিয়ন এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবী ষ্টেটকী জিম্নাষ্ট মরি ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবগা মণিপুর জিম্নাষ্ট পেরেন্টস এসোসিএসন অমদি উচেক্কোন য়ুঠ এথলেটিক্স ক্লব (য়ু ৱাই এ সী)কী ওফিসলশিংনা তরাম্না ওকখ্রে।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১০দগী লাকপা জিম্নাষ্টশিংনা শরুক য়াখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী পূন্না জিম্নাষ্ট ৪১ শরুক য়াবদা ষ্টেট অসিদগী ৪ য়াওখিবনি।

ষ্টেটকী জিম্নাষ্ট অঞ্জোরী পাঙম্বমনা চহী ১২দগী ১৪ ফাওবগী এজ গ্রুপ কেটগোরিগী ৱিমেন্স ইন্দিভিজ্যুএলদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। কাঙলূপ অসিদা সাউথ কোরিয়ানা অহানবা অদুগা থাইলেন্দনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অঞ্জোরি কোংবা উচেক্কোন মোরিবা মখা লৈকাইদগী অখেলো পাঙম্বম অমদি অসেম চাওবগী মচানুপীনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী সিনিয়র কাঙলূপ্তা অরিহা পাঙম্বমনা ৪শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। ষ্টেটকী অতোপ্পা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অনী অদুদি বেম্বী চিংশুবম অমদি মালিয়ানি কোন্সমনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইনা য়ুম্নাম রঞ্জননা শরুক য়াখি।

# কুদো ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচ এন এস): গুজরাটকী বার্দোলিদা লৈবা উকা টর্সাদিয়া য়ুনিভর্সিটিদা ওক্টোবর ২৪দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা অক্সেকুমার ইন্টরনেসনল কুদো টুর্নামেন্ট ২০২২, ১৩শুবা কুদো নেসনল টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ অমদি অহুমশুবা কুদো ফেদরেসন কপ ২০২২-২৩দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১১দা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না কুদো এসোসিএসন ওফ মণিপুর (কে এ এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম সিংহজিৎনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংনা ট্রায়ল নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮দা মশা-মশাগী আধার কার্দকা লোয়নননা লাক্কবা খঙহল্লক্লি।

# চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএসন শেম্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচ এন এস): চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শান্নখোৎনবগী কমন প্লেটফোর্ম অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএসন লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অথুবদা শেম্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলগী প্রসিদেন্ট টি এস চাম্না অনাললনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা খোঙথাং অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনশিংগী লীদরশিংগী ওইবা জূম মীটিং অমা মে ২২দা পাঙথোক্লবা মতুং য়েৎনবা লৈতনা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি হায়রি।

ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# ক্লাসা অমদি য়ু এফ সী দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্লাসা এফ সী কৈনৌ অমদি য়ু এফ সী বিষ্ণুপুর গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নখিবগা লোয়নননা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংলবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা দ্রো ওইখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে ৱাই ভি ও (এন) এস দব্লিয়ু সীনা য়ু কে সী সী এলবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা ১-১দা দ্রো ওইখি। কে ৱাই ভি ওগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল বোলেননা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৭৯ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা কে রিসাশনা শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

য়ু কে সী সী এলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এল অনন্দনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# ইন্টরনেসনল স্পোর্ট ক্লাইম্বর কাঙুজম সুর্জিৎ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নেসনল লেভেল স্পোর্ট ক্লাইম্বিং রুট সেট্টর (আই এম এফ) কালিফাই ওইবা ঙম্বা ইন্টরনেসনল স্পোর্ট ক্লাইম্বর কাঙুজম সুর্জিৎ বাশিখোং ৱাঙ্খে লৌমানবীদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈখিদ্রে। মহাক চহী ২৭ শুখ্রে।

মহাক বাশিখোং ৱাঙ্খে লৌমানবীদগী লৈখিদ্রবা কে মঙ্গোল অমদি লৈখিদ্রবী কে ওংবী গম্ভীনীগী মচা ৭কী মনুংদা ইতোন তোনবা মচানুপানি।

মহাক্না হিংলিঙৈদা তোঙান-তোঙানবা এদভেঞ্চর অমদি স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কোর্সশিংগী ইন্স্ট্রক্টর ওইরম্বদা নৎতনা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসনগী অমত্তা ঙাইরবা পাৱর পেরা গ্লাইদিংগী পাইলোটসু ওইরম্মী।

মহাক্না ফংলম্বা এচিভমেন্টশিংগী মনুংদা ২০১০দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ১৬ শুবা নেসনল স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনগী লীদতা সিলভর অমদি স্পীদতা ব্রোঞ্জ মেদল; ২০১১দা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ওপন নেসনল জুনিয়র অমদি সব-জুনিয়র ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনদা স্পীদতা গোল্ড অমদি লীদতা ব্রোঞ্জ; চহী অসিমক্তদা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন য়ুঠ চেম্পিয়নশিপতা ৫শুবা পোজিসন; ২০১২দা কোলকাটাদা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ওপন স্পোর্ট ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনদা স্পীদতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, মহাক্না লৈখিদবদা মণিপুর মাউন্টেনিয়রিং এন্দ ট্রেক্কিং এসোসিএসন অমদি মণিপুর স্পোর্ট ক্লাইম্বিং এসোসিএসন অনীনা ঙসি মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এ য়াইফ শঙলেন্দা কোন্দোলেন্স মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# ইন্দিয়াগী অনুপামা উপধ্যায়ানা বি দব্লিয়ু এফ রেঙ্কিংগী অনৌবা জুনিয়র ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরে



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ৭ (এজেন্সী): চহী নৌরিবী অনুপামা উপধ্যায়ানা অন্দর-১৯ গর্লস সিঙ্গলস কেটগোরিদা তোপ পোজিসনদা লৈদুনা অনৌবা বি দব্লিয়ু এফ জুনিয়র রেঙ্কিংগী নম্বর ১দা লৈদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা তোপ পোজিসনদা লৈবা শট্লর ওইবা ঙমখ্রে।

চহী ১৭ শুরবী পঞ্চকুলাদগী শান্নরোয় অসিনা মমাং চহীদা উগন্দা অমদি পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা টাইটল লৌদুনা হান্না তোপ পোজিসনদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী টাস্নিম মিরগী মহুৎ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শিন্দোকখিবনি।

মহাক্না টুর্নামেন্ট ১৮দগী পোইন্ট ১৮.০৬০ ফংদুনা পোল পোজিসনদগী মফম অনী হাইগৎলগা তোপ রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখিবনি।

মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি

# এস ৱাই এস সী, বোলেরো এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচএনএস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ৯-এসাইদ ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি হৈরোক পার্ট-টু লিতান মখোঙদা লৈবা সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা এস ৱাই এস সী সঙাইথেলনা ৱাই এস এ চিংখুবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সঙাইথেল টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এল সুরেশ অমদি এ কে থোমাসনা শান্নবগী ৩৪ অমদি ৪০ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। চিংখুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোমেশনা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা গ্রুপ দিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বোলেরো এফ সীনা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

বোলেরো এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু সোভা অমদি সুভাশনা শান্নবগী ১০ অমদি ৪৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এম রোশনীনা বোলেরো এফ সীগী অনন্দ শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

অতোপ্পা গ্রুপ ঈগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রোয়ল এফ সী অমদি কে আর সী থৌবাল ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

রোয়ল এফ সীগী গোল অদুনা এস অঙৌসনানা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি অদুগা কে আর সীগী গোল অদুনা দব্লিয়ু ফেনালিসনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এম রোশনীনা কে আর সীগী শান্নরোয় ৩-দব্লিয়ু অমর্জিৎ, এল অর্জুন অমদি এস লেনিন শান্নবগী ৩, ১২ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পুং ১দগী হৌদুনা মেটচ অহুম শান্নগনি। অহানবদা লেদোল লৌরেম্বম অমদি ব্রদর্স এফ সী, অনীশুবদা ৱাই দিসী খোইরোম অমদি রেফরি ইলেভেন অদুগা অহুমশুবদা দি এল সী হৈরোক অমদি এস ৱাই পি এ সেকমাই লম্বা তৌনরগনি।

# খ্বাই মার্সিএল আর্টস একাদেমিগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচ এন এস): খ্বাই মার্সিএল আর্টস একাদেমি ইম্ফালগী ৩৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবা খুন্দোংবম মান্দপ্তা পাঙথোকখ্রে।

একাদেমি অসি লমদম অসিগী লৈখিদ্রবা থাঙ-তাগী ওজাশিং লাইময়ুম দামু, পন্দিট নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রনচিংবনা লমজিংদুনা কুমজা ১৯৮২দা লিংখৎপীরম্বনি।

থৌরমগা মরী লৈননা ৱাঙাংলোয়শিংনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অদোমগী অহল-লমনশিংনা মাগী-মাগী অঙাংশিংবু থাঙ-তাদা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা মার্সিএল আর্টসকী দিসিপ্লিনশিং-কুংফু, কারাটি, জুদো অমদি শরিৎ-শরাকনচিংবা তমহন্নবা একাদেমি অসিদা থাবীরকউ হায়খি।

থৌরম অদুদা বোর্দ ওফ এদমিনিষ্ট্রেসনগী হান্নগী ভাইস চ্যেরপর্সন বি শান্তিনা থৌরম মপূ, একাদেমিগী প্রসিদেন্ট ডা. এল সরতচন্দ্রনা থৌরম মপূ অদুগা সাইখোম বিরেন্দ্রকুমার, নিংথৌখোংজম তোম্বীরাজ অমদি তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চন্দ্রকিশোর ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# এস এল ৱাই ও অমদি য়াইরিপোক এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৭ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথরিবা এল চন্দ্রকিশোর ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এল ৱাই ও তেকচম অমদি য়াইরিপোক এফ সী মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এল ৱাই ও তেকচমনা পি এ এল ৱাই সী ফুন্দ্রেবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ও সোমোকান্তনা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা তেকচমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী তেকচমগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী তেকচম টিমনা ফুন্দ্রেবু ২-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেটচ অসিদা তেকচমগী মরুওইবা গোলশিং চনখিবা ও সোমোকান্ত রেফরি এল রোজিৎনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি। রেফরিনা ফুন্দ্রেগী রুষ্টমসু অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।



অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা য়াইরিপোক এফ সীনা পথাপ এফ সী লিলোংবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

মখা তাবা অনীশুবা হাফতা পথাপ এফ সীগী সোহাইব খাননা আউন গোল অমা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা য়াইরিপোক এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল ওইবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি এল প্রিয়োনা য়াইরিপোক্কী কিষন অমদি নৱাজ শান্নবগী ২৪ অমদি ৬৮ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ৯দা মেটচ অনী শান্নরগনি।

# য়ু এস ওপন : জেবিয়র অমদি গার্সিয়া সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ৭ (এজেন্সী): তুনিসিয়াগী ওন্স জেবিয়রনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ু এস ওপনগী সেমীফাইনেল চঙবা ঙম্বী অহানবা অফ্রিকান নুপী ওইদুনা পুৱারী শেমখিবগা লোয়নননা ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়ানা অমেরিকাগী টিনএজর কোকো গোফকী মঙলান থুগায়রমদুনা লাষ্ট ফোর ষ্টেজ চঙবা ঙমখ্রে।

ওন্স জেবিয়র অমদি কেরোলিন গার্সিয়া অনীনা য়ু এস ওপনগী সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

চহী অসিগী জুলাই থাদা ৱিম্বলদন ফাইনেল চঙবা ঙমখিবী অহানবা অফ্রিকান নুপী শান্নরোয় জেবিয়রনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অষ্ট্রেলিয়াগী অজলা তোমজানোভিকপু ৬-৪, ৭-৬ (৭-৪)দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি।




তোমজানোভিকনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বীদা মহাক্কী থর্দ রাউন্দ মেটচতা ২৩রক গ্রান্দস্লাম চেম্পিয়ন ওইখ্রবী সেরিনা ৱিলিয়মসপু মায়থীবা পীরমখিবনি।

অতোপ্পা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কেরোলিন গার্সিয়ানা অমেরিকাগী কোকো গোফপু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙলকখিবনি।

গার্সিয়ানা অমেরিকাগী মঙলান ওইরিবা গোফপু মায়থীবা পীরম্লগা মহাক্কী করিয়রদা অহানবা ওইনা গ্রান্দস্লামগী সেমীফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

মহাক চিনচিনাটি মাষ্টর লৌরবা মতুং ন্যু য়োর্কতা লাকখিবনি। মহাক্কী লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মায় পাকপা অসিনা সিঙ্গলসতা ষ্ট্রেটতা মায় পাকপা ১৩শুবনি। চহী ২৮ শুরবী গার্সিয়া খোঙজেংগী প্রোব্লেম লৈবদগী থা ২ পোথারুরবা মতুং ফগৎলক্তুনা অমুক হল্লকখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 566**

**Dragoljub Minic - Mircea Pavlov**
**Bucharest Bucharest ROU (13), 1966**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 | 6.f4 Nbd7 |
| 7.Bd3 g6 | 8.Nf3 Qc7 | 9.O-O Bg7 |
| 10.Qe1 O-O | 11.Kh1 e6 | 12.Qh4 b5 |
| 13.Bd2 b4 | 14.Nd1 Bb7 | 15.Nf2 a5 |
| 16.a3Nc5 | 17.e5 Nd5 | 18.Ng4 h5 |
| 19.f5 exf5 | 20.Nf6+ Bxf6 | 21.exf6 Ne4 |
| 22.Bxe4 fxe4 | 23.Nd4 bxa3 | 24.Rf5 axb2 |
| 25.Rb1 Nxf6 | 26.Rxf6 a4 | 27.Rxb2 a3 |
| 28.Rb1 a2 | 29.Ra1 Qb6 | 30.Nb3 e3 |
| 31.Be1 Qc6 | 32.Qg5 Qxc2 | 33.Nd4 Qb1 |
| 34. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 565 Ans. :**
21. Qxf7+ Rxf7 22. gxh7+ Kh8 23. Ng6#
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com